# ওদেসাদা রসিয়ন ফোর্সশিংনা মিসাইল কাপ্পদা অঙাং য়াওনা মীওই ৮ শিখ্রে, লোজিষ্টিক টর্মিনেল মাঙহন তাকহনখ্রে



কিভ, এপ্রিল ২৪ (এজেন্সী):

য়ুক্রেনগী পোর্ট সিটি ওদেসাদা রসিয়ান ফোর্সশিংনা সেল কাপশিনবদা থা অহুমগী অঙাং অমা য়াওনা মীওই নিপান শিখ্রে হায়না য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকিনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুক্রাইয়িন্সকা প্রাবদাগী রিপোর্টনা হায়, মিসাইলশিং থাংজ নুমিৎকী নুংথিলদা কাস্পিয়ন সিগী ঈশিং মথক্তা পায়রিবা টিয়ু-৯৫ ষ্ট্রেটেজিক এয়রক্রাফট অমদগী কাপখি।

প্রিলিমিনরি রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না য়ুক্রেনিয়ন এয়র দিফেন্সনা এরিয়েল টার্গেট অনী কাপথখি অমসুং মিসাইল অনীনা মিলিটরি ফেসিলিটি অমসুং রেসিদেন্সিএল বিল্ডিং অনীদা হিট তৌখি।

থাংজ নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙলদুনা প্রসিদেন্ট জেলেন্সকিনা হায়খি, মদুদি রসিয়ানা ওদেসাদা পুন্না মিসাইল তরেৎ কাপ্লকখি। মখোয়গী মনুংদা মিসাইল অনী লম্মখাংদা কাপথখি।

জেলেন্সকিগী মতুং ইন্না য়ামদ্রবদা মীওই ২০ অশোক অপন নঙখি। থৌদোক অদুবু কন্দেম তৌরদুনা য়ুক্রেনগী ফোরেন মিনিষ্টর দমিট্রো কুলেবানা হায়খি, মদুদি রসিয়া অসি টেরোরিজম শৌগৎপা লৈবাক অমা ওইনা শকখঙগদবনি।

ওদেসাদা রসিয়ানা মিসাইল ষ্ট্রাইকশিং চথরিবদুগী অমত্তা ঙাইরবা পান্দমদি মীয়াম্বু কিহন খঙহনবনি। রসিয়াবু টেরোরিজমগী ষ্টেট স্পোন্সর অমা ওইনা শকখঙবগা লোয়নননা মসিগা চান্ননা মালেম পুম্বনা লৈবাক অসিদা মীৎয়েং থমগদবনি।

লৈবাক অসিগা কনামত্তনা বিজিনেস তৌনরোইদবনি। কনামত্তনা লৈবাক অসিগা শম্নরোইদবনি অমসুং লৈবাক অসিগা কলচরেল প্রোজেক্ট অমত্তা পায়খৎপা তৌরোইদবনি। ইংনা চিক্লা লৈরিবা সিটিশিংদা সেল এটেক্ট চথদুনা অকি অখঙ পোকহল্লিবা অমসুং মীশি মীনা কয়া থোকহল্লিবা মীনুংশি লৈতবশিংগা সিভিলাইজেসনগী মরক্তা ৱাল অমা লৈহনবা মথৌ তাই হায়না কুলেবানা ত্বিট অমদা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, রসিয়ন ফোর্সশিংনা য়ুক্রেনগী ওদেসাগা নক্লবা মিলিটরি ফিল্ড অমদা লৈবা লোজিষ্টিক টর্মিনেল অমা থুগায়খ্রে হায়না রসিয়ন দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ক্লেম তৌখ্রে।

মিনিষ্ট্রি অসিগী মতুং ইন্না লোজিষ্টিক টর্মিনেল অদুদা মপানদগী থাজিল্লকপা খুৎলায়শিং পৈদুনা থম্মী। রসিয়ন দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্স মেন ইগোর কোনাসেনকোভনা হায়খি, মদুদি থাংজ নুমিৎকী নুংথিলদা রসিয়ন এরো স্পেস ফোর্সশিংনা হাই প্রিসিজন, লোং রেঞ্জ, এয়র-বেজ মিসাইলশিং কাপশিন্দুনা ওদেসাগা নক্লবা মিলিটরি এয়র ফিল্ড অমগী লোজিষ্টিক টর্মিনেল মাঙহন তাকহনখ্রে।

মফম অদুদা য়ুএস অমসুং য়ুরোপকী লৈবাক কয়াদগী থারকপা মপানগী খুৎলায় কয়া মরুম লৈ। রসিয়ানা য়ুক্রেনদা মখা তানা স্পিসিএল মিলিটরি ওপরেসন চথুরি হায়না এজেন্সিগী রিপোর্টনা দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্স মেননা পল্লদুনা হায়রি।

দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী মতুং ইন্না রসিয়ন মিলিটরিনা ১৪১ এয়র ক্রাফট, হেলিকোপ্টর ১১০, এন্টি এয়রক্রাফট মিসাইল সিষ্টেম ২৬৪, অনমেন এরিয়েল ভেহিকল ৫৪১, টেঙ্ক অমসুং অতৈ অর্মর কম্বেট ভেহিকল ২৪৭৯, মল্টিপল লোঞ্চ রোকেট সিষ্টেম ২৭৮, ফিল্ড আর্টিলারি অমসুং মোর্টার ১০৮১ অমসুং স্পিসিএল মিলিটরি ভেহিকল ২৩২১ থুগায়খ্রে।

চৈরকসিদা য়ুক্রেনিয়ন প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকিনা মহাক রসিয়াগা শোক্লরিবা লান অসিবু দিপ্লোমেটিক চেন্নেলশিংগী খুথাংদা সোলুসন অমা পুরকপগী ৱাফমসু লৈ হায়না ফোঙদোকখ্রে।

কিভতা পাঙথোকখিবা প্রেস কনফরেন্সতা জেলেন্সকিনা হায়খি, মদুদি কনফ্লিক্ট অসিগী মতাংদা দিপ্লোমেটিক লম্বী অমদি মিলিটরিগী লম্বী হায়বা লম্বী অনী লৈ। মহাক্কী ওইনদি কনফ্লিক্ট অসি লেপহনবা পাম্মী। ৱাফম অসি ফোঙদোকপগা লোয়নননা মহাক্না করিগুম্বা রসিয়ন ফোর্সশিংনা মরিওপোলদগী থোকপা য়াদনা লৈরিবা য়ুক্রেনিয়নশিংবু হাৎলবদি নত্তগা মখোয়না খুদুম চল্লিবা য়ুক্রেনগী মফমশিংদা রিফরেন্দমশিং পাঙথোরকপা তারবদি কিভনা মোস্কোগা চথরিবা পিছ নিগোসিএসন অদুদগী ৱিদ্রো তৌগনি হায়খি।

# পুটিন অমসুং জেলেন্সকিগা উন্নদ্রিঙৈ মাঙওইননা গুটরেজনা টর্কিজ প্রসিদেন্ট ইর্দোগানগা উন্নগদৌরি



য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, এপ্রিল ২৪ (এজেন্সী):

মোস্কো-কিভকী কনফ্লিক্ট লোইশিন্নবগী পান্দমদা য়ুএন সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুটরেজনা চৎকদৌরিবা মেদিএসন মিশন অমদা চৎকদৌরিবা খোঙচৎ অদু নিংথৌকাবা নুমিত্তা টর্কিগী প্রসিদেন্ট রেসেপ তায়িপ ইর্দোগানগা হান্না উন্নরগা হৌরগনি।

টর্কিজ লিদর অসিগা ৱারী শান্নরবা মতুংদা গুটরেজনা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিন অমসুং য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকিগা মথং শিৎনা মোস্কো অমসুং কিভতা উন্নরগনি।

থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংদা করেস্পোন্দেন্টশিংদা পীখিবা ব্রিফ নোট অমদা য়ুএন চীফকী স্পোক্স পার্সন ষ্টেফান দুজরিক্লা হায়খি, মদুদি গুটরেজপু অঙ্করাদা ইর্দোগাননা ওক্কনি। টর্কি অসি রসিয়া অমসুং য়ুক্রেন কনফ্লিক্টকী দিপ্লোমেসিগী হব অমা ওইদুনা লাক্লি।

ইর্দোগানগা ৱা তান্নবা অসিনা গুটরেজপু লৈবাকপোকপা নুমিত্তা পুটিনগা অমদি শগোলশেল নুমিত্তা জেলেন্সকিগা উন্ননবগীদমক শেম শাবদা মতেং ওইগনি হায়না লৌনরি।

ইর্দোগানগা য়ুক্রেনিয়ন অমসুং রসিয়ন লিদরশিংগা অফবা মরী লৈনবা অমদি মহাক্কী লৈবাক্লা নোংচুপলোমগী মিলিটরি এল্লাইয়েন্স নাটোদা য়াওবা অসিনা অঙ্করানা ৱাতেন্বগী থবক্তা মকোক চিংদুনা লাক্লি অমসুং লৈবাক অনীগী রিপ্রজেন্টেটিবশিং টর্কিদা মীফম পাঙথোকপা লৈখ্রে।

গুটরেজনা মহাক্কী দিপ্লোমেটিক খোঙথাংশিং লৌখৎপা হৌদ্রিঙৈ মমাঙদা য়ুএস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট এন্টোনিও ব্লিঙ্কন অমসুং দিফেন্স সেক্রেটরি ললোইদ ওষ্টিননা নোংমাইজিং নুমিত্তা কিভতা চত্তুনা য়ুক্রেনবু শৌগৎলি হায়বসি উৎলগনি হায়না জেলেন্সকিনা থাংজ নুমিত্তা প্রেস কনফরেন্স অমদা লাউথোকখি।

তৌইগুম্বসুং থাংজ নুমিৎকী অহিং ফাওবদা য়ুএসকী মায়কৈদগী মখোয়গী খোঙচৎ অদুগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকখিদে।

রসিয়ানা য়ুক্রেনদা নৌহৌননা এটেক্ট চথরকখিবা অসিনা য়ুএনগী দিপ্লোমেসিগী তঙাই ফদবা হেনগৎহনখি অমসুং ৱার্ল্ড বোদি অসিগী চীফ গুটরেজনা মথং চয়োলদা নাইজেরিয়াদা চৎননবা থৌরাং তৌরম্বদু কেন্সেল তৌখি। য়ুক্রেনগী ইস্যুনা হেন্না লুশিল্লকপদগী মহাক্লা নাইজেরিয়াগী খোঙচৎ অদু কেন্সেল তৌখিবনি। ইষ্টর হোলিদে মনুংদা সিজ ফায়র থম্ননবা গুটরেজনা তৌখিবা আপিল মোস্কোনা রিজেক্ট তৌখ্রবনি। ওর্থোদোক্স খৃষ্টান চর্চ খরদি নোংমাইজিং নুমিত্তা ইষ্টরগী থৌরম পাঙথোক্লে। মখোয়না অরোইবা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফিষ্ট ওবজার্ব তৌনবা নোংচুপলোমগী চর্চশিংদগী তোঙানবা কেলেন্দর অমা ইন্দুনা লাক্লি।

# বিলাৱল ভুটো নুমিৎ নীনিগী মনুংদা পাকিষ্টানগী ফোরেন মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌরগনি



ইস্লামাবাদ, এপ্রিল ২৪ (এজেন্সী):

পাকিষ্টান পিপলস পার্টি (পিপিপি) গী চিয়ারমেন বিলাৱল ভুটো জর্দারি নোংমা নীনিগী মনুংদা লৈবাক অসিগী অনৌবা ফোরেন মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌরগনি হায়না টোপ ওফিসিএল অদুনা ফোঙদোকখ্রে।

অহানবগী ফেদরেল কেবিনেট মেম্বরশিং ৱাশক লৌখিবা মতমদা বিলাৱালসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি। অদুম ওইনমক মহাক ৱাশক লৌখিদে।

তৌইগুম্বসুং পিপিপিগী চিয়ারমেন অসি মহাক্লা পাকিষ্টানদা হল্লক্লবা মতুংদা ৱাশক লৌগনি হায়না ইনফোর্মেসন মিনিষ্টর মরিউম ঔরঙ্গজেবনা থাজবা পীখিবনি।

লন্দনদা পাউমীশিংগা ৱারী শান্নবদা পিপিপিগী লুচিংবা কামর জামন কাইরানা হায়খি, মদুদি বিলাৱল পাকিষ্টানগীদমক লন্দন থাদোকখ্রে। মহাক পোলিটিকেলগী ওইবা ৱাফমশিংগী মতাংদা পিএমএল-এনগী সুপ্রিমো নৱাজ সরিফকা মীফম অনীরক পাঙথোক্লবা মতুংদা লন্দন থাদোকখিবনি।

ইকোন কোনবদা পাঙথোকখিবা মীটিংদা রুল্লিং কোলিসনগী মরু ওইবা পার্টনরশিং ওইরিবা পি এম এল-এনগী সুপ্রিমো অমসুং পিপিপিগী চিয়ারমেন অসিনা দিমোক্রেসিগী মায় পাকপা অমা চাওনা লাকখ্রবা মতুংদা করম্বা মওংদা চঙশিন্দুনা লৈবাক ঙাকপগী থবক পায়গদগে হায়বগী মতাংদা কুপ্না খন্ন-নৈনখি।

জোইন্ট ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না মখোয়না খুদিংমক্লা য়ান্নগদবা মওংদা খুৎশম্নরগা থবক তৌমিন্নবা হায়না লেপ্লখি।

জোইন্ট ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়, লুচিংবা অনীনা উন্নবা অদুদা মখোয় পুন্না থবক তৌমিন্নবদগী শিংথানিংঙাই ওইবা মওংদা পান্দম কয়া ফঙবা ঙল্লে হায়না ফোঙদোক্লখি। লৈবাক্কী পুৱারীগী লুরক্লবা তানফম অসিদা লৈবাক অসিবু নৌনা শেমগৎ শাগৎনবা মখোয়না পুন্না লিংজেল মান্ননা থবক তৌমিন্ননবা লেপ্লে।

মীটিং অদুদা দিমোক্রেটিক ফোর্স পুম্নমক্লা য়ান্নরবা তুংগী ওইবা রোদ মেপকা মরী লৈনবা ৱাফমশিংসু খন্নখি।

চৈরকসিদা নো-কনফিদেন্সকী ভোটকী খুথাংদা পিটিআই গভর্নমেন্ট চিংথুনবা লৌতুনখি হায়না হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং পিটিআইগী চিয়ারমেন ইমরান খাননা থাংজ নুমিত্তা পিএমএল-এনগী সুপ্রিমো নৱাজ সরিফপু মরাল শীখ্রে।

ইমরান খাননা হায়খি, মদুদি থ্রেট লেটরগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা ওপন হিয়ারিং চথগদবনি। ঐখোয়না ইন-কেমেরা হিয়ারিং অমত্তা য়াবা ঙল্লোই। মহাকপু পৱারদগী চিংথুনবা পাকিষ্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর সেহবাজ সরিফ অমসুং পিপিপিগী লুচিংবা অসিফ অলি জর্দারিনা মপানগী মীওইশিংগা লৌতুনখি হায়নসু পিটিআইগী চীফ অসিনা ক্লেম তৌখি।

মহাক্লা মখা তানা হায়খি, মদুদি হৌজিক মপানদগী লৌতুনরকপগী ৱাফম অসিগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন চথদবা তারবদি প্রাইম মিনিষ্টর অমত্তনা মপানগী লৌতুনবশিংগী মায়োক্তা লেপ্পা ঙল্লোই।

# নোর্থ কোরিয়ানা মিলিটরি পেরেদ পাঙথোক্তুনা খ্বাইদগী নৌবা আইসিবিএম উৎননবা থৌরাং তৌরি



সিওল, এপ্রিল ২৪ (এজেন্সী):

নোর্থ কোরিয়ানা লৈবাক অসিগী মরু ওইবা কুমওন থৌরম অমগা মরী লৈননা খ্বাইদগী নৌবা ষ্ট্রেটেজিক খুৎলায়শিং উৎননবা অচৌবা মিলিটরি পেরেদ অমা পাঙথোক্লনবা শেম শাবগী খুদম চাংদমশিং সাউথ কোরিয়ানা দিটেক্ট তৌরে হায়না গভর্নমেন্ট ছোর্সশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ছোর্সশিং অদুগী মতুং ইন্না নোর্থ কোরিয়ানা নোর্থ কোরিয়ন পিপলস রিভোলুসনরি আর্মি (কেপিআরএ) হায়না খঙনবা এন্টি-জপানিস গুরেলা ফোর্স অদু হৌদোকখিবা চহী ৯০ মপুং ফারকপগা মরী লৈননা কিম ইল সুং স্কৱারদা পাঙথোক্কদবা মিলিটরি পেরেদকীদমক ট্রুপ ২০,০০০ রোম মোবিলাইজ তৌরবা য়াই। নোর্থ কোরিয়ানা গুরিলা ফোর্স অদু লৈখিদ্রবা নেসনেল ফাউন্দর কিম ইল-সুংনা কুমজা ১৯৩২ দা লিংখৎখি হায়না ক্লেম তৌরিবনি।

ছোর্সশিং অদুনা মখা তানা হায়, রিহর্সেলশিংগী মনুংদা হাইপর সোনিক হ্বাসোং-৮ মিসাইল অমা, হ্বাসোং-১৭ ইন্টর কন্টিনেন্টেল বেলিষ্টিক মিসাইল (আইসিবিএম) অমা অমসুং সবমেরিন-লোঞ্চ বেলিষ্টিক মিসাইল (এসএলবিএম) অমা য়াওনা মিলিটরি ইক্কিপমেন্ট পিছ ২৫০ হেন্না পেরেদ তৌখ্রে।

নোর্থ কোরিয়ানা কোন্টুন থোং অনী টেদোং তুরেলদা শাদুনা কিম ইল সুং স্কৱারগা জুচে আইদিয়াগী টৱারগা শম্নহনখিবগী খুদম চাংদমসু ফঙবা ঙম্বগা লোয়নননা নোর্থ কোরিয়ন ট্রুপশিংবু স্কৱার অদুদা চঙবদা খুদোং চাহল্লগনি হায়বগী ইঙ্গিৎ ফঙলে হায়নসু ছোর্সশিংনা পল্লদুনা য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়রি।

নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং-ইলনা লৈখিদ্রবা মতুং কুমজা ২০১২ তা মহাক্কী মচানুপা কিম জোং উননা লৈবাক অসিগী লৈঙাক্কী পৱার পায়রকখিবদগী হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিনা মিলিটরি পেরেদ মাপন পাঙথোকখ্রে।

তৌইগুম্বসুং মিলিটরি পেরেদশিং অদু কেপিআরএ হৌদোকখিবগা মরী অমত্তা লৈনখিদে। নোর্থ কোরিয়ানা মহৌশানা নেসনেল ফাউন্দর কিম ইল সুংগী মপোক কুমওন নুমিৎ ওইরিবা এপ্রিল ১৫ দা অসিগুম্বা পেরেদ পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

মসিদা নত্তনা লৈবাক অসিনা রুল্লিং পার্টি হৌদোকখিবা নুমিৎ ওক্তোবর ১০ অমদি লৈবাক অসিগী ফাউন্দেসন নুমিৎ সেপ্টেম্বর ১০ দসু অসিগুম্বা মিলিটরি পেরেদ পাঙথোক্তুনা লাকখি।

ওবজার্বরশিংনা হায়রি, মদুদি জপানগী লোইলম লৈঙাক মনুংদা শেমখিবা এন্টি-জপানিস গুরিলা ফোর্সশিং শেমখিবা নুমিৎ নীংশিংদুনা নোর্থ কোরিয়ানা অসিগুম্বা মিলিটরি পেরেদ পাঙথোক্লনবা ৱারেপ অসি লৌখিবনি। মরু ওইনা লৈবাক অসিগী ষ্ট্রেটেজিক খুৎলায়শিং উৎননবা অমসুং ইন্টরনেল সপোর্ট ফঙননবা হোৎনরকপগী শরুক ওইনা পেরেদ অসি পাঙথোক্কদৌরিবনি।

# য়েমেনদা চথখিবা ওপরেসন অমদা অল কাইদাগী সিনিয়র কম্মান্দর অমা হাৎখ্রে



অদেন, এপ্রিল ২৪ (এজেন্সী):

য়েমেনগী খা নোংপোক থংবা প্রোভিন্স হাদ্রামাউটতা লোকেল সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগা নোংমৈ কাপ্পবদা য়েমেনদা বেজ তৌবা অল কাইদা ব্রাঞ্চ সিনিয়র কম্মান্দর অমা শিখ্রে হায়না সেক্যুরিটি ওফিসিএল অমনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখ্রে।

নোংমৈ কাপ্পবগী থৌদোক অদু থাংজ নুমিত্তা লোকেল সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগী য়ুনিট অমা ইন্টেলিজেন্স পাউ অমদা য়ুম্ফম ওইরগা ওপরেসন অমা চথখিবদা হাদ্রামাউটকী সুদক এরিয়াদা থোকখিবনি।

সেক্যুরিটি ফোর্সকী য়ুনিট অদুনা মফম অদুদা লৈরিবা অল কাইদাগী লোৎফমদা রেদ চথখি হায়না মশক মমিং তাকথোক্লিংদবা লোকেল সেক্যুরিটি ছোর্স অমনা ফোঙদোকখি।

হাদ্রামাউটতা চথখিবা টেরর এটেক্ট কয়াদা চেন্নবদগী সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা তান্নরকখিবা অল কাইদাগী সিনিয়ার কম্মান্দর রেদ অদুদা শিরে হায়বসি ওফিসিএল অসিনা কনফার্ম তৌখি।

তৌইগুম্বসুং অল কাইদাগী মেম্বর অদুগী মশক মমিংদি মহাক্লা পনখিদে। য়েমেনি ওফিসিএলশিংগী মতুং ইন্না ওপরেসন অদুনা শেলগী ফিভম কা হেন্না ফত্তবা অরব লৈবাক অদুদা টেরোরিষ্ট গ্রুপ অদুনা ফিভম শেমগৎনবা হোৎনরিবা অদুদা অচৌবা চৈথেং অমা নঙহনখি।

য়েমেনদা বেজ তৌবা অল কাইদা ইন ডি অরাবিয়ন পেনিন্সুলা (এক্যুএপি) নেটৱার্কনা লৈবাক অদুগী খা থংবা প্রোভিন্সশিংদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মায়োক্তা শাথিরবা এটেক্টশিং চথদুনা লাক্লি।

চহী কয়া য়েমেনি গভর্নমেন্ট অমসুং হাওথি মিলিসিয়াগী মরক্তা শাথিরবা কনফ্লিক্ট অমা লৈরক্লিবদুগী খুদোংচাবা লৌদুনা এক্যুএপিনা লানগী চৈথেং নঙলবা অরব লৈবাক অদুদা মখোয়গী ফিভম শেমগৎনবা হোৎনরকখিবনি।

চৈরকসিদা চহী খরা লেপ্পুরবা মতুংদা য়েমেনগী হাওথি রেবেলশিংনা পায়শিন্দুনা লাকপা কেপিটেল সানাদগী অহানবা কর্মসিএল ফ্লাইট পায়ননবা থৌরাং তৌরম্বদু নোংমাইজিং নুমিত্তা মতম কত্তনা য়ৈথোকখিবগা লোয়নননা লৈবাক অসিগী কনফ্লিক্ট অদুগা মরী লৈননা চৎনহন্নবা হোৎনরক্লিবা ট্রুষ্টতা অচৌবা চৈথেং অমা লাক্লে হায়রি। রাইবেল সাইটশিংনা ফ্লাইট য়ৈথোকপদুগী মতাংদা অমগা অমগা মরাল শিন্নখি।

# সেক্সপিয়রগী ৪৫৮ শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে



লন্দন, এপ্রিল ২৪ (এজেন্সী):

ৱিলিয়ম সেক্সপিয়রগী হোম টাউন ষ্ট্রাটফোর্দ-অপোন-এবোনদা মীওই লিশিং অমা হেন্না পুন্দুনা বৃটিস প্লেরাইট অসিগী ৪৫৮ শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে।

সেলেব্রেসন অদু থাংজ নুমিত্তা লোকেল প্রাইমারি অমসুং সেকেন্দরি মহৈরোয়শিং অমসুং সিভিক গ্রুপশিংগী পেরেদ অমগা লোয়নননা হৌখি। রেসিদেন্টশিং অমসুং ভিজিটরশিংনা লৈখিদ্রবা লিটরেরি জাইন্ট অসিগী মপোক নুমিৎ নীংশিংদুনা বার্টডেগী ঈশৈ শকখি। সেলেব্রেসন অসি কোভিদ ১৯ না মরম ওইদুনা কুমজা ২০২০ গী ওইনদি কেন্সেল তৌখি অমসুং কুমজা ২০২১ দা ওনলাইনদা পাঙথোকখি।

সেক্সপিয়র কুমজা ২৫৬৪ কী এপ্রিলদা পোকখি। মহাক পোকখিবগী চপ চাবা তারিখ রেকোর্দ তৌবা লৈত্রবসু মহাক্কী মপোক্কী থৌরম অসি মহৌশাদগী বৃটেনদা এপ্রিল ২৩ দা পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

তারিখ অসি অতোপ্পা অখন্নবা ৱাহন্থোক কয়াগসু মরী লৈনরি। "ৱার্ল্ড বুক এন্দ কোপিরাইট ডে"সু নুমিৎ অসিদা ওবজার্ব তৌরি। এপ্রিল ২৩ অসি সেক্সপিয়র অমসুং স্পেনিস অইবা মিগুয়েল দি কেরবান্টেজ শিখিবগী নুমিৎশিংগসু ফাঙজিন্নরি।

সেক্সপিয়র বার্টপ্লেস ট্রষ্টকী রিছার্স মকোক পোল ইদমোন্সন্না ফোঙদোকখিবদা মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা অইবশিং ওইরিবা সেক্সপিয়র অমসুং কেরবান্টেজকুম্বা অইবশিংগী লাইরিকশিং পাদুনা অমদি মখোয়গী প্লেশিংগী থিএটর পার্ফোমেন্সশিং য়েংদুনা ৱার্ল্ড বুক ডে পাঙথোকপা অসি য়াম্না চুনৈ অমসুং মতিক চাই।

দর্বি সহরদা লৈবা এন্নি কৌবা নুপী অমনা এজেন্সিদা হায়খি, মদুদি মহাক নোংমগী ওইবা খোঙচৎ অমদা কুম্মৈ পুম্নমক য়েঙনবগীদমক ষ্ট্রাটফোর্দতা লাকপনি। মহাক্লা ষ্ট্রিট ইন্টরট্রেনরশিংগী লাইব পার্ফোমেন্সশিং য়েংগনি। সেলেব্রেসনশিং অদুদা শরুক য়াবদা নত্তনা ভিজিটরশিংনা টাউন লাইব্রেরিদা চঙদুনা অচৌবা অইবশিং অসিনা ইবা লাইরিকশিংসু পান্নখি।

# অফঘানিষ্টানলোমদগী কাপশিল্লকপদা পাকিষ্টানি লান্মী অহুম শিখ্রে



ইস্লামাবাদ, এপ্রিল ২৪ (এজেন্সী):

অফঘানিষ্টানরোমদগী বোর্দর লান্না নোংমৈ কাপশিল্লকপদা পাকিষ্টানগী খাইবর পত্তুন খুৱা প্রোভিন্সতা পাকিষ্টানি লান্মী অহুম শিখ্রে হায়না থাংজ নুমিত্তা মিলিটরি ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখ্রে।

মিলিটরিগী মিদিয়া ৱিং ইন্টর-সার্ভিসেস পব্লিক রিলেসন্সকী ষ্টেটমেন্ট অমদা পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, অফঘানিষ্টান মনুংদা লৈরিবা টেরোরিষ্টশিংনা বোর্দর লান্না নোর্থ ৱাজিরিষ্টান দিষ্ট্রিক্টতা দিপ্লোই তৌবা পাকিষ্টাননি ট্রুপশিংদা নোংমৈ কাপশিল্লকখি।

এটেক্ট অদুদা পাকিষ্টানগী ট্রুপশিংনসু খুৎ হনখিবগা লোয়নননা টেরোরিষ্টশিং অদুদা মীশি মীনা কয়া থোকহনখি হায়নসু ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি।

আইএসপিআরনা মখা তানা হায়, অফঘানিষ্টানগী টেরিটোরি পাকিষ্টানগী টার্গেটশিংদা এটেক্ট তৌবদা শীজিন্নবগী থৌওং অসি পাকিষ্টাননা মতম পুম্বদা কন্দেম তৌদুনা লাক্লি। মতুং তারকপদা অসিগুম্বা থৌদোকশিং অফঘান গভর্নমেন্টনা চথহল্লোই হায়না ঐখোয়না থাজে।

পাকিষ্টানগী আর্মিনা টেরোরিষ্টশিংগী মায়োক্তা লৈবাক অসিগী বোর্দরশিং ঙাক শেনবগী অচেৎপা ফিরেপ অমা লৌদুনা লাক্লি। ঐখোয়গী থৌনা ফরবা লান্মীশিংনা অসুম্না মথ্বায় থাদোক্লিবা অসিনা ঐখোয়গী ফিরেপ হেন্না চেৎশিলহল্লে হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা মতম খরা অসিদা পাকিষ্টান-অফঘানিষ্টান বোর্দরদা লৈরিবা পাকিষ্টানি ট্রুপশিংদা বোর্দর ৱাংমদগী এটেক্ট তৌবগী চাং হেনগৎলকখি।